# রঞ্জিব ত্রোফি ২০১৮–১৯ গী অহানবা রাউন্দ (প্লেট) গীদা সিক্কিমনা মণিপুরবু রন ২৭ তা মায়থিবা পীখ্রে



*মণিপুর টিমবু মায়থিবা পীবা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা সিক্কিম টিমগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙমখিবা মিলাইন্দ কুমার*

কোলকটা, নবেম্বর ০৯ঃ

রঞ্জিব ত্রোফি ২০১৮–১৯ গী অহানবা রাউন্দ (প্লেট) গীদা মণিপুর অমদি সিক্কি টিম অনীনা কলকাতাদা লৈবা জদাবপুর য়ুনিভর্সিটি কম্পাস সেকেন্দ গ্রাউন দা শান্নখিবা মেটচতা সিক্কিমনা মণিপুরবু রন ২৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মণিপুরনা তোচ ঙমদুনা বোল্লিং খনখি।

অহানবা ইন্নিংস তৌখিবা সিক্কিমনা ওভর ১১১.২ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৩৭২ লৌবা ঙমখি। সিক্কিমগী রনশিং অদু– ফাইজান খাননা বোল ১১দা রন ১, নিলেস লামিচানিনা বোল ২০ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৮, মিলিন্দ কুমারনা বোল ৩৩১ দা ফোর ৩৯ অমদি সিক্স ৩ য়ৈরগা রন ২৬১, বিপুল শর্ম্মনা বোল ৮৪ দা ফোর ৭ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ৪৫, লি য়োং লেচানা বোল ৬০ দা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ২৫, পাদম লিমবুনা বোল ৮৩ দা রন ৯ অমদি অমোসি রাইনা বোল ৫৭তা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ১৩ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা মণিপুরগী বোল্লর আর রেক্স সিংহনা ওভর ২৭ তা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ৯৭, সেলি সৌরিয়ানা ওভর ১১.৪ দা ৱিকেট ৪ লৌরগা রন ৩৯, বিশ্বরজিৎ কোন্থৌজমনা ওভর ২৬ তা রন ৯৫, প্রিয়োজিৎ কে সিংহনা ওভর ১৭ তা রন ৪৮, সুলতান করিমনা ওভর ২০.২ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৬৫ অমদি য়াস্পাল সিংহ (কেপ্টেন) না ওভর ৯.২ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২০ পীখি।

মণিপুরগী অহানবা ইন্নিংস ওভর ২৮ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৭৯ খক্তমক লৌবা ঙমখি। মণিপুরগী রনশিং অদু– লাখন রৱাটনা বোল ১০ দা রন ৬, য়াস্পাল সিংহ (কেপ্টে) না বোল ৪৯ দা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ২৯, প্রিয়োজিৎ কে সিংহ না বোল ৬৫ তা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৩০, আর রেক্স সিংহনা বোল ৯ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৫ অমদি সুলতান করিমনা বোল ১৯ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৫ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা সিক্কিমগী বোল্লর–ইশ্বর চৌধরিনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ৪ লৌরগা রন ৩৭, পাদম লিমবুনা ওভর ৩ দা রন ৯, বিপুল শর্ম্মনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ১৭, প্লেজোর তমাংনা ওভর ২ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৯ অমদি লি য়োং লেপচানা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৪ পীখি।


মণিপুরনা অনীশুবা ইন্নিংস তৌবদা অমুক ওভর ৮০.২ দা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২৬৬ খক্তমক লৌবদগী সিক্কিমনা মণিপুরবু রন ২৭ দা মায়থিবা পীখিবনি। ইন্নিংস অসিদা লৌখিবা মণিপুরগী রনশিং অদু– লাখন রৱাটনা বোল ১২০ দা ফোর ১৩ য়ৈরগা রন ৭০, প্রিয়োজিৎ কে সিংহনা বোল ২৭ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৬, য়াস্পাল সিংহ (কেপ্টেন) না বোল ১৯৪ দা ফোর ২১ য়ৈরগা রন ১৩২, প্রাফুলোমানি সিংহ (ৱিকেট কিপর) না বোল ৭তা রন ১, সগাৎপম জায়েন্তনা বোল ৭৭ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ১৩, আর রেক্স সিংহ না বোল ৩০ দা ফোরা ২ য়ৈরগা রন ১০, বিশ্বরজিৎ কোন্থৌজমনা বোল ১৬ তা ফোর ২ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ১৬ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা সিক্কিমগী বোল্লর ইশ্বর চৌধরিনা ওভর ১৯.২ দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ৫২, বিপুল শর্ম্মনা ওভর ২১ দা ৱিকেট ৪ লৌগরা রন ৫৫, অমোসি রাইনা ওভর ২ দা রন ১৩, প্লেজোর তমাংনা ওভর ১৪ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৪৫, লি য়োং লেপচানা ওভর ৭ তা রন ৪০, মিলিন্দ কুমারনা ওভর ১২ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৩০ অমদি পাদম লিমবুনা ওভর ৫ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ১৩ পীখি।

রজিব ত্রোফি অসিগী অনীশুবা রাউন্দগীদা মণিপুর টিমগী মথং মেটচ থা অসিগী ১২ দা উট্টরখান্দ দা লৈবা রজিব গন্ধি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম, দেরাদুনদা উট্টরখান্দ টিমগা লম্বা থেংনরগনি।

# তবাবী অমসুং জগদিস গোল্ড লৌখ্রে





ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ঃ

রাজস্থানগী জয়পুরদা পাঙথোক্লিবা কম্মন ৱেলথ জুদো চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী টিঐচ তবাবী অমসুং এল জগদিসনা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেদেদ গার্লসকী কেজি ৪৪ মখাগী নুপীমচাগীদা তবাবীনা গোল্ড লৌবা ঙমখিবনি।

জুদো চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেদেদ বোইজকী কেজি ৬০ মখাগী কাংলুপ্তা এল জগদিসনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

# নেসনেল স্কুল গেম ফেন্সিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ঃ

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী ১৭ ফাওবা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চহি ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ওইবা ৬৪শুবা নেসনেল স্কুল গেম ফেন্সিং ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

স্কুল গেম অসি থা অসিগী ১৩ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, য়াসকী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, আইএসএ সেক্রেটরী য়াস বোবী ৱাইখোম, সঞ্জয় গৌতম ওবজর্বর এসজি–এফআই অমদি আর্ম ষ্ট্রোং পামৈ–আইএএস ডাইরেক্টর য়াসনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোক্কনি।

# পোলোগী ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ঃ

মণিপুর হোর্স রাইদিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ওক্টোবর ২২ দগী শগোল কাংজৈ গী টিম ৩১ না শরুক য়াদুনা নোক আউত বেসিস্তা মপাল কাংজৈবুং দা চথরক্লিবা ৩৮শুবা এন হজারি অমসুং ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ১১ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এক্স পোলো ক্লব অমদি চীঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব টিম অনীনা লম্বা থেংনরগনি। হয়েং শান্নগদৌরিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা সিএএফ এন্দ পিদি গী মিনিষ্টর করাম শ্যামনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি।

# ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ঃ

মথং চহি জনুৱারি ৮ দগী ১১ ফাওবা পঞ্জাবকী অমিৎসহরদা লৈবা গুরত নানক দেব য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ফেন্সিং (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯ দা শরুক য়ানবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফেন্সিং টিম শেম্নবা ট্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ১৫ গী অয়ুক পুং ১১ দা ডাঃ কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়ম মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কঞ্চিপুরদা পাঙথোক্লগনি।

ট্রাইয়েল সেলেক্সন অসিবু য়াওনিংবা এময়ুদা এফিলিয়েট তৌবা কোলেজ / ইন্সটিট্যুটশিংগী মহৈরোইশিংনা মশা–মশাগী প্রিন্সিপালগী খুৎথাংদা থা অসিগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা মিং পীশিনবা য়াগনি।

ট্রাইয়েল য়াওগদবা শান্নরোইশিংনা সার্টিফিকেট ফোর পাশিং ঐচএলসি এক্সামিনেসন সার্টিফিকেট ফোর পাশিং ১০+২ এক্সামিনেসন, প্রজেন্ট কোলেজ রিদিং সার্টিফিকেট, কোলেজনা ইশু তৌবা লেটেস আইদেন্টিটি, মার্ক সিট ফোর পাশিং লাস এক্সামিনেসন, টু পাস্পোর্ট ফোটোগ্রাফ পুরক্কদবনি হায়না এময়ুগী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙল্লক্লি।

# জুনিয়র নেসনেল কোচিং কেম্পতা শরুক য়াদগবা প্রোবেবল লিষ্ট ফোঙখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৯ঃ

থা অসিগী ১১ দা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোক্কি জুনিয়র নেসনেল কোচিং কেম্পতা শরুক য়াগদবা শান্নরোই ৩৪ গী কোর প্রোবেবল লিষ্ট ফোঙখ্রে।

হায়রিবা প্রোবেবল লিষ্ট ৩৪ গী মনুংদা শান্নরোই ৬ অমদি হৌজিক হৌজিক ভুবনেশ্বরদা চথরিবা ইন্দিয়ান সেনিয়র মেন্স টিম কেম্পতা শরুক য়ারিবনি।

শান্নরোইশিং অদুদি –সুমন বেক, মন্দিপ মোর, য়াসদিপ সিৱাচ, ভিসাল অন্টিল, গুরসাহিবজিৎ সিংহ অমদি সিলান্দ লাক্রানি। হায়রিবা শান্নরোইশিং অসিনা থা অসিগী ২৩ দা জুনিয়র নেসনেল কোচিং কেম্প অসিগীদমক রিপোর্ট তৌগবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা ওক্টোবর থাদা হন্দক্তা লোইশিনখিবা সুলতান ওফ জোহোর কপ্তা সিলভর মেডল লৌরকখ্রবা জুনিয়র মেন্স টিমগী শান্নরোইসু হায়রিবা প্রোবেবল লিষ্ট অসিদা য়াওরি।

প্রোবেবল লিষ্টতা য়াওরবা শান্নরোইশিং অদুদি– গোল কিপরদা পনকাজ কুমার রজাক, পৱান, কমলবির সিংহ নি।

দিফেন্দরদা– সুমন বেক, মোহদ ফরাজ, সঞ্জয়, সোমজিৎ মোর, পেরামপ্রিট সিংহ, দিনাচন্দ্র সিংহ মোইরাংথেম, প্রিন্স, ভেরিন্দর সিংহ অমদি গাইরিল লুগুন নি।

মিদফিল্ডরদা – অকাস অৱাস্থি, জেস গ্রেগোরি, য়াসদিপ সিৱাচ, হরমনজিৎ সিংহ, ভিসনু কন্ট সিংহ, গোপি কুমার সোনকর, ভিসাল অন্টিল, নিরাজ কুমার ৱারিবম, রবিচন্দ্র সিংহ মোইরাংথেম অমদি হাস্প্রিট সিংহ নি।

ফোৱার্দতা– সুদিপ চিরমাকো, মান্দির সিংহ, গুরসাহাবজিৎ সিংহ, অমন্দিপ সিংহ, অবিলাস ষ্টেলিন সি, অবিসেক, ঐচ মানি সিংহ, প্রবজোৎ সিংহ, সিভম অনন্দ অমদি রহুল কুমার রাজবর নি।

# ইন্দিয়াগী সৌরব গোসাল সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৯ঃ

ইন্দিয়াগী হয়েস রেঙ্ক স্কৱাস শান্নরোই অমদি তোপ সিদ ওইরিবা সৌরব গোসাল কলকাতা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ সৌরব গোসাল অমদি করিম ইল হম্মামি অনীনা শান্নখিবা মেটচতা সৌরব গোসালনা করিম ইল হম্মামিনা সেট ১১–৫, ১১–৭, ১১–২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা তোদ হেরিটি (য়ুএসএ) না নথান লেক (ইংলেন্দ) বু সেট ১১–১৩, ১১–৭, ১১–৩, ৫–১১, ১১–৮ তা মায়থিবা পীখ্রে। অমদি কার্লোস কোর্নেস রিবাদাস না য়ৌসেপ সোলিমান বু সেট ১২–১৪, ১১–৬, ১১–৮, ১৩–১১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

# ষ্টেট বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সি পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ঃ

মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১১ দগী ১৮ ফাওবা ব্রম্মপুর নহাবম বাস্কেটবোল কোর্টতা টিম ১০না গ্রুপ অনী থোক্না খায়দোক্তুনা ২২শুবা সেনিয়র ষ্টেট বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ–এ দা ৱাইপিএসয়ু লালাম্বুং মখোঙ, য়ুঠ ক্লব উরিপোক, আইদেল ক্লব তেরা, মোদেল ক্লব চিংঙামখা অমদি সিৱাইসি চীংঙামথক গ্রুপ অসিদা পুল্লি।

গ্রুপ বিদা সেন্ট এন্থোনি স্পোর্টস ক্লব, দব্লিউয়ুৱাইসি অঙোম লৈকাই, ৱাইওএসসি খুরাই কোন্সম লৈকাই, ইএসয়ু পেলেস কম্পাউন্দ অমদি লমকা হুপর, সিসিপুর পুল্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফিক্সর মখা পীরি।

| DATE | TIME | MATCH | GR. |
|---|---|---|---|
| 11-11-18 | 6.30 am | CYLC Vs Youth Club | A |
| | 7.30 am | Lamka Hooper Vs WUYC | B |
| | 1.30 pm | Model Club Vs Ideal Club | A |
| | 2.30 pm | ESU Vs YOSC | B |
| 12-11-18 | 6.30 am | Model Club Vs YPHU | A |
| | 7.30 am | YOSC Vs WUYC | B |
| | 1.30 pm | Ideal Club Vs Youth Club | A |
| | 2.30 pm | ESU Vs St. Anthony SC | B |
| 13-11-18 | 6.30 am | Ideal Club Vs CYLC | A |
| | 7.30 am | YOSC Vs Lamka Hooper | B |
| | 1.30 pm | Youth Club Vs YPHU | A |
| | 2.30 pm | WUYC Vs St. Anthony SC | B |
| 14-11-18 | 6.30 am | Model Club Vs Youth Club | A |
| | 7.30 am | WUYC Vs ESU | B |
| | 1.30 pm | YPHU Vs CYLC | A |
| | 2.30 pm | St. Anthony SC Vs Lamka Hooper | B |
| 15-11-18 | 6.30 am | YPHU Vs Ideal Club | A |
| | 7.30 am | St. Anthony SC Vs YOSC | B |
| | 1.30 pm | CYLC Vs Model Club | A |
| | 2.30 pm | Lamka Hooper Vs ESU | B |
| | | SEMI FINAL | |
| 16-11-18 | 6.30 am | Winner-A Vs Runner-B | X |
| | 7.30 am | Winner-B Vs Runner-A | Y |
| | | FINAL | |
| 18-11-18 | 2.30 pm | Winner-X Vs Winner-Y | |


7% TO 10% DISCOUNT

SANGAI TANK

শঙাই

10 YEARS GUARANTEE

SL/4119/23-9nov

প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক

An ISO 9001:2015 Certified Company

Valid from 20th Oct. to 20th Nov. 2018

লিসমার্ট ইন্দষ্ট্রিজনা পুথোকচবা, ইরমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্না 'শঙাই' হায়না খঙনবা প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ তেঙ্কপু অতৈ মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎশিংগা চাংদম্নরবা মতুংদা ইশাগী ইরমদমগী পোখোক অসিবু শিজিন্নবিবগীদমক থাগৎচরি।

লোয়ননা ইরমদম অসিগী য়ুমথোঙ–য়ুমথোঙ খুদিংদা 'শঙাই' টেঙ্কপু শিজিন্নবা ঙমহন্নবগী পান্দমদা লমদম অসিগী চাওরবা কুম্মৈ নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা 'শঙাই' টেঙ্ক চাদা ৭ অমসুং ১০ তানা য়োঞ্জগনি। হায়রিবা খুদোংচাবা অসি তাং ২০–১০–২০১৮ দগী হৌরগা তাং ২০–১১–২০১৮ ফাওবা চত্থজগনি।





ফংবীগদবা সাইজ ঃ
লিটর ২০০, ৩০০, ৫০০, ৭৫০, ১০০০, ১৫০০ অমসুং ২০০০ নি।
খুদোংচাবা অসি হেদ ওফিস খক্তদনি।

মীয়ামগী সেবাদা– লিসমার্ট ইন্দষ্ট্রিজ শঙাই প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক
৮৪ / সোপ কম রেসিঃ কমপ্লেক্স (সুপরমার্কেট), লম্ফেলপাৎ










Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*